হুইয়েন লানপাও

লাঙ্গোলদা লৈবা শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্ছ ইন্সটিট্যুটনা শীন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং ষ্টাফশিংনা ৱর্ল্দ ব্লদ দোনর দে থৌরমদা ঈ কৎপগী শক্তম

Blood Donor Day

লামায় ৩

এষ্টেরোইদ থাংজম মিংথোল ফংখ্রবা গুনেশ্বর থাংজম মোরেল এদ্যুকেসন সেন্টরনা শীন্দুনা ইরোইশেম্বদা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিদা ওকপগী শক্তম

লামায় ৩

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা এম এফ দি এসগী হোলদা পাঙথোকপা ৱর্ল্দ ব্লদ দোনর দেগী থৌরম হৌদোকপগী শক্তম

লামায় ১

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোলনা শীন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোকপা এন্তি দ্রগ কেম্পেনগী থৌরম

ANTI DRUG CAMPAIGN

লামায় ৪

Vol. 41, Issue No.082 শগোলশেন, ইঙা ২১ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, June 15, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

কেমিকেল শীজিন্নদুনা লফোই মুলহল্লগা য়োল্লম্বা ময়াং অনী ফারে

মীওইবগী হকচাং শোক্কদবা কেমিকেল চীঞ্জাক্তা হাপ্পীগনু : ডা. লোকেন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা শেন্দোং হেন্না ফংনবা লল্লোনবশিংনা অচা-অথক্কী পোৎলমশিংদা কেমিকেল শীজিন্নরগা চাউখৎহনবা নৎত্রগা মমুন ফানা মুলহনবগী লোনা য়াদবা থৌওংশিং ময়াং অনীনা ইম্ফালদসু চথরল্লে।

কিনিংঙাই ওইরবা থৌওং অসি ইম্ফালগী নাগামপালদা শৈদাংফম লৌরগা হাঙবা দুকান অমগী পোৎ পৈফমদা চথরম্বনি। দুকান ফন্লিবা লল্লোনবশিং অদুনা কেমিকেল শীজিন্নরগা লফোই অশংবা মুলহল্লে হায়বা অকন্নবা পাউ অমা ফংবদগী ফুদ সেফটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম্না মফম অদুদা চঙশিল্লগা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কেমিকেল অমসুং লফোই মুলহন্নবা তৌরম্বা থৌরাংদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

লোগী ৱাংমদা কেমিকেল হাপচিল্লগা লফোই মুলহনবগী থৌওং চথরম্বদগী ফারবা ময়াং অনী অদুদি বিহারগী ইষ্ট চম্পারন দিষ্ট্রিক্টকী শাদু শাহ ৱার্দ নম্বর-১৫দগী হৌজিক্লা মেজোর খুলদা লৈবা শক্তিনাথ প্রসাদ, অপোকপগী মিং জগদিশ প্রসাদ অমসুং বিহারগী ফুলৱারিয়া টেজপুরদগী হৌজিক্লা নাগামপাল শিংজবুং লৈরক্তা লৈবা দোষ্ট মহমদ অন্সারি (৫৮)নি।

মখোয়বু ফাবগী মতাংদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডা. কে লোকেন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, লল্লোনবা অনীনা চথরল্লিবা থবক অসি লোগী ৱাংমদনি। মখোয়দগী ফাগৎপদা য়াওরিবা কেমিকেল মখল অসি করম্বা মখলগীনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি মালেমগী ওইনা মীয়াম খঙহন্নবা ইংলিশ লোন অমসুং ময়েক্লসু ইদে। করম্বা কেমিকেলনো হায়বসু থাদে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ফুদ সেফটি এক্ট, ২০০৬কী মতুং ইন্না কেমিকেলশিং শীজিন্নরগা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং মমুন ফানা মুলহন্নবগী থৌওং য়াদে। কার্বাইদ শীজিন্নবসু য়াদে। মসিনা মীওইবগী হকশেলদা শাথিনা কিনিংঙাই ওই। মখোয়দগী ফাগৎলিবা কেমিকেল বট্টলশিং অদু করম্বা মখলগী কেমিকেলনো হায়বা খঙদোক্লবা ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরিদা থারগনি। লোনা য়াদবা মওংদা কেমিকেল শীজিন্নরগা লফোই মুলহনবগী থৌওং চথরম্বগীদমক মখোয়না শীজিন্নরম্বা পোৎ পৈফম অদু সিল্ড তৌখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বট্টলদা য়াওবা কেমিকেল মখল অসিগী লিক্লি মখুম তঙ্খায় অমা ঈশিং লিটর ১৫ চনবা টব অমদা হাপ্লগা নীংথিনা ওৎখায়রবা তুংদা লফোই অশংবা লফাংশিং অদু অমুক অমুক লুপ্লগা বোরা নৎত্রগা ফি অমনা য়োমশিল্লগা থম্বদা নুমিৎ ৩নিগী মনুংদা নীংথিজনা মুল্লি অমসুং মীয়ামদা য়োনবা য়াহল্লি।

ফারবা লল্লোনবশিং অদুনা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং পাউদম্লদুনা হেল্থ দিরেক্টরনা হায়খি, জহাজি হায়না খঙনবা লফোই মখল অসি অশংবা ওইনা কেমিকেল হাপ্তুনা মুলহন্নবা ওম্বদা নুমিৎ ১০নি চঙই। অদুবু কেমিকেল অসিদা লুপ্লগা ওল্লগদি শুপ্নগী নুমিৎ ৩নি খক্তদা লফোই অদু মুল্লি অমসুং মীয়ামদা য়োনবা য়াই।

মহাক্না হায়, অনৌবা লৈঙাক্না নুমিৎ ১০০নিদা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং মপুং ফানা থিংবা অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলমশিং মীয়ামদা শীজিন্নহন্দবা হায়বা পান্দমগী মখাদা ফুদ সেফটিগী টিম কয়ামরক্না দ্রাইভ চথুদুনা লৈরি। অসিগুম্বা তানফমদা লল্লোনবশিংনা মীওইবগী হকচাং শোকহন্নিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং শীজিন্নরম্বা অসি লাইবক থীবনি। মসি অমুক হন্না তৌরোইদবনি। অরানবা তৌবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না চপ চাবা থবক লৌখৎকনি।

ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান মফম ৩দা কায়খ্রে

কোংবা তুরেলগী মফম কয়াদা ঈশিং পাথোরকপদগী মীয়াম মিপাইনরে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

তুরেলগী মরু ওইরিবা চীংগী মফম কয়ামরুম হৌখিবা নোংমা-নিনি অসিদা য়াম্না কনবা নোং চুখিবনা মরম ওইরদুনা তম্পাক ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অয়াম্বগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে।



ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান মফম অহুমদা কায়রে। কোংবা তুরেলগী তোর্ব্বানসু মফম কয়ামরুমদা ঈশিং পাথোক্তুনা অকুৎপা মফমদা চেনশিনবদগী মীওই কয়া অমা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

ইরিগেসন ফ্লদ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান কায়রিবা মফম অহুম অদুদি কাইরং মসজিদ মনাক, ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পনি মখা লৈকায় অমসুং উচিৱা নাস্তাওদনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল তুরেলগী কাইরং মসজিদ মনাক্তা কায়খি। মদুদা চেন্থরকপা ঈশিংনা কোংবা তুরেলদা তাশিন্দুনা তুরেল অসিগী মফম কয়াদা হৌজিক ঈশিং পাথোরক্তুনা মীয়াম্না থিংনবা হোৎনরি। ইম্ফাল তুরেলগী কাইরং মপাদা কায়বদগী মীয়াম্না কন্না হোৎনদুনা থিংবা ঙমখ্রে। অদুবু অয়ুক্কী পুং ৯ রোম তাবদা ইম্ফাল তুরেলগী উচিৱা নাস্তাও মপাদা কায়বদগী মফম অদুদা লৈবা য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। মসিদা নত্তনা লৌফম অমদি ঙাগী ফার্ম কয়াসু ঈশিং থুমজিনখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎপদনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চবুং কম্পনি মখা লৈকায়, ইবুধৌ ৱাংব্রেন মপাদা ইম্ফাল তুরেল ফুট ৩০ মুক লাওনা কায়খি। মফম অদুদা অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তাবদা হান্না ইফুৎ লাকখি। অদুবু মীয়াম্না মদু থিংনবা হোৎনরিঙৈদা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা তোর্ব্বান অদু কায়রকপনি। তুরেলগী মনুং থংনদা রিটেনিং ৱাল চল্লগসু ঈশিংগী ফোর্সনা নমখায়রকপদগী লৈরায় অদু কায়খি। মফম অদুদা য়ুম কয়া ঈশিংনা থুন্বদগী মীওই কয়া তুরেল তোর্ব্বানদা পোৎচৈ কয়া থংদোক্লখি।

মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়, ঈশিং অদুনা চেন্থরকপদগী ময়াই লম্বী ঙসি নুমিদাং ঈশিংনা খ্বাং য়ৌদুনা গাড়ী চৎপা য়াদ্রে। ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন ফাওবা ঈশিং হাইজিল্লক্লে। চাউরাক্লা য়ুম ৫০০গী মথক্তা ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়নন্না লৌ পরি ১০০০ রোম কা হেন্না ঈশিং থুমজিনবনা অৱাবা মায়োক্লরি।

ঈশিং কায়রিবা মফম অদুদা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কে রোবিন্দ্রোগী অপোকপা মংলেম মশা লাক্তুনা মীয়ামগা লোয়নন্না ঈশিং কায়রিবা মফম অদুদা এক্সকাভেটরশিং শীজিন্নদুনা পাইল য়ৈদুনা থিংনবা হোৎনখি। অদুবু তুরেলগী ঈমায় ৱাংবা মরম্না থিংবা ঙমদ্রি। ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ময়াং ইম্ফাল লম্বী হান্না গাড়ী চৎলম্বা অদু ঈশিং থুমজিনখিবনা গাড়ী চৎপা য়াদ্রে। ময়াং ইম্ফাল প্রভাবতি কোলেজ অমদি এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুল ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঈশিং ঈচাউনা শোক্লবা মফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী অমদি মরী লৈনবা ওফিসলশিং লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়নন্না অৱাবা তারবা মীয়ামদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পীনবা হোৎনরি।

ইম্ফাল তুরেলগী কাইরং মপাদা কায়খ্রবা মতুংদা ঙসি থিংখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশা লাক্তুনা য়েংশিনখি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নরে

ককচীং, জুন ১৪ : তেংনৌপল ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা নারুম খুলদা থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদগী অকি অখঙগী মশক ওইবা খোঞ্জেল অমা থোকপা হৌরকপদগী খুঞ্জাশিং চেন্নরে হায়না নারুম খুল ওথোরিটিগী চেয়রমেন এন এস মোখুলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। নারুম খুলদা থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদগী খঙহৌদনা খোঞ্জেল অমা তাবা হৌরকখি। খুঞ্জাশিংনা থিরুবদা লৈনুংদগী তাবা ফঙখি। খোঞ্জেল অদু ঙসিসু লেপ্তুনা তারি। খুনয়াইদগী হৌরগা কিলোমিটর অমগী মথক্তা শন্দে দাক্তুনা তাবা ফঙই। মসিনা মরম ওইদুনা খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নরে। অসিগুম্বা অকি তুজুংনিংঙাই ওইরবা থৌওং অসি মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা থিজিনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

HL POLL

Q : Meeoi lishing 10 romna meeyamgi numitta CM unage haina laklabadi CM na unaba ngamgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meetei Mayekta iba B.A. Manipurigi E-Textbook fonglakpa asi afaba thoushilni haina loubra?

Yes 94% No 06%

অস! লোইরেহে!

নোংচুপনা তুরেল পাথরে…!



তা বিরেননা চীংদা চৎলো হায়দুদা নোংসু চীংদা চুখ্রমাল্লে…!

ব্লোকেদ মনুংদা মাঙ-তাকখিবশিংদা পীনবা ক্রোর ১.০৮ কায়থোকপা য়াখ্রে

ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎনবা কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) : মমাঙগী চহীদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না নেসনল হায়ৱে-৩৭তা চথখিবা ইকনমিক ব্লোকেদতা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা ট্রকশিং অমসুং অশোক-অপন নংখ্রবা দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন্দা কেম্পেন্সেসন পীনবা লুপা ক্রোর ১.০৮গী শেনফম কায়থোক্লবা ষ্টেট কেবীনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে।

মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলম পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা খুদোংথিবা নংখ্রবা দ্রাইভর অমসুং ট্রান্সপোর্টরশিংদা মণিপুর লৈঙাক্না পীবা য়াবা খুদিংমক পীগনি হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস ট্রান্সপোর্টরস এসোসিএসন অমসুং ওল মণিপুর বল্ক এল জি পি ট্রান্সপোর্টরস এসোসিএসনগা য়ানখিবা মতুং ইন্না কেবীনেটনা কেম্পেন্সেসন পীনবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মরক অসিদা, ফৌথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা লৌমীশিংগী য়েংলগা য়ুরিয়া ফর্টিলাইজর মেত্রিক টন ১,২৫,০০০ দিমাপুরদগী ইম্ফালদা এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা ওইনা চিংশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অনৌবা টেন্দর অমা পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল হোটেল অমসুং সেন্দ্রাদা লৈবা টুরিষ্ট হোম এম/এস ববিনা হেল্থকেয়র এন্দ হোস্পিটলিটি ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইভেট লিমিটেদতা থা ৬ মখা তানা পায়হনখিনবগী অয়াবা পীখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ন্যু দিল্লি, কোলকাটা অমসুং গুৱাহাটিদা লৈরিবা মণিপুর ভবনগী কাশিংদা অহিং য়ারকপগী লৌরিবা শেনফম অসি লায়রবা মীচম মীয়ামদা খুদোং চাহন্দবনা মরম ওইরদুনা হান্না লৌরম্বা চাংদগী চাদা ৩০দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা তাথনবা ষ্টেট কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

মণিপুর পঞ্চায়টিরাজ এক্ট, ১৯৯৪গী মতুং ইন্না জিলা পরিষদ তরক্কী মখাদা লৈবা মঙাশুবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন, ২০১৭ পাঙথোক্লবা কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, নুপীশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথবশিং অথুবদা ৱায়েনবা ঙম্নবা মপুং ফাবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অমা হাঙদোক্লবা ষ্টেট কেবীনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। কোর্ট অসি এদিসনেল সেসন্স জজ অমনা পুগনি অমসুং নুপীদা চথবা তোঙান তোঙানবা …মখা লামায় ৩ কলম ১

এন ঈ আর সী পি এ কনফরেন্স ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

তরাতরুকশুবা নোর্থ ইষ্ট রিজন কম্মনৱেল্থ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসন (এন ঈ আর সী পি এ)গী কনফরেন্স হয়েং মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েটতা লোক সভাগী স্পীকর সুমিত্রা মহাজন্না হৌদোক্লগনি।

নোর্থ ইষ্ট এন্দ লুক ইষ্ট পোলিসি হায়বা থীমদা থা অসিগী ১৮ ফাওবা চথগদবা কনফরেন্স অসি হয়েং হৌদোক্কনি। কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীগনি। মেঘালায়া লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর অমদি এন ঈ আর সী পি এগী চেয়রমেন অবু তাহের মোন্দালনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীগনি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মণিপুর ৱাই জয়কুমারসু হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংগনি।

কনফরেন্স অসিগী নীনি চনবা নুমিৎ থা অসিগী ১৬ তা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লানা কনফরেন্স অসিদা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাংগনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লেজিসলেচর মেম্বর অমদি প্রিসাইদিং ওফিসর কয়ানা থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

তোঙান তোঙানবা থিম অহুমদা খন্ননৈনগনি। থিমশিং অদুগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট এন্দ লুক ইষ্ট পোলিসি, স্পেসল প্লান ফোর দিভলপমেন্ট ওফ রেলৱে, এয়রৱে সর্ফেস রোদ এন্দ ইনলেন্দ ৱাটর ৱে কন্নেক্তিবিটি ফোর স্পীদি ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন অমদি দিস্কসন ওন সেট্টিং অপ ওফ চেপ্টর ওফ স্পীকর্স রিছর্স ইনিসিয়েটিব ইন নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ফোর কেপাসিটি বিল্ডিং ওফ লেজিসলেচর্স ওফ দ রিজন এন্দ জেনেরেটিং রিছর্স ফোর দ নোর্থ ইষ্টর্ন লেজিসলেচর্স হায়বসিনি। মখা লামায় ৩ কলম ৬

এ আরনা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ খুদক্তা লেপকদবনি : অপুনবা লুপ

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

হন্দক মরক অসাম রাইফলসনা মীহাৎ-মীপুন অমদি ফারগা ওৎ-নৈবা তৌরক্লিবা অসি লেপকদবনি হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপুনবা লুপকী কোর্দিনেটরশিং মথংশিৎনা ফুলিন্দ্রো কোন্সম, এ লাংদোন, জয় চিঙাখম অমদি সুনিল কারামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক পাউচেশিংদসু ফোঙনরকখ্রবা য়াম্না শাথিবা অকি-তুজুংনিঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইরিবা ৱারেপ্পম বসন্ত (৪৪) অপোকপা দব্লিউ অপাবী, লাঙ্গোল টাইপ টুদা লৈববু ৩৪ শুবা এ আরগী ক্রুপ অমনা ফাখ্রগা প্রীপাক (প্রো) গী মেম্বরনি হায়নবা নুমিৎ নীনি চুপ্না তমথিবা মওংদা অমদি য়াম্না ইনহ্যুমেন ওইবা দিগ্রিদা থর্দ দ্রিগ্রি মেথোদ টোর্চর চথখিবা থৌওং অসি য়াম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মালেমগী মীপুম খুদিংমক্লসু তৌফম থোকই। মসিদা চেন্নরিবা মীওই অমদি এ আর পর্সনেলশিং লৈঙাক্না মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

মণিপুরদা লীশাং শীৎনা লালহৌবা নমথনবগী মিংদা অফস্পা, মালেমদা চৎনদ্রবা লো অসি মখা তানা বৃটিশ লৈত্রবসু গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা চল্লায়দুনা লাক্লি। চহী অসিগী মে-দা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ২৭ শুবা য়ু পি আর সেসন জেনেভাদা ফমখিবদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়ানা মমাংগী য়ু পি আর সেসনগী মীফম কয়াদা অফস্পা রিপিল তৌগনি অমসুং কনভেন্সন এগেনষ্ট তোর্চর রেক্টিফাই তৌগনি হায়না পীখিবা…মখা লামায় ৩ কলম ২

‘ব্লদ বেঙ্ক মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনরগনি’

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিং অসিগী মথক্তা অনা লায়েঙশঙ কয়াদা ব্লদ বেঙ্ক লৈহন্নবা হোৎনরগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি ৱর্ল্দ ব্লদ দোনর দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি এম এফ দি এসগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, মীওইবগী পুন্সি কনবদগী হেন্না চাউবা মতেঙ লৈতে। ঈ কৎপনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি।

মালেমগী মফম কয়াদা ব্লদ দোনর দেগী থৌরম পাঙথোক্লরি। ব্লদ দোনর দে থৌরম অসি অসুক্কী মতিক মরুওই। ঈ কৎপগী কান্নবশিংসু ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিং অসিগী মথক্তা হোস্পিটাল কয়াদা নৌনা ব্লদ বেঙ্কশিং লৈহন্নবা হোৎনরগনি। ব্লদ বেঙ্ক লৈবা হায়বসি অনা লায়েঙশঙগীদমক য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি। অথু-অকাইগী ওইবা মথৌ তারকপা মতমদা থুনা ঈ পীবা ঙম্বা চঙই। ষ্টেট অসিদা ঈ কৎপগী চাং অসি হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। মীওইবগী হকচাং ফন্না লৈবদা অফবা ঈ মথৌ তাই। হকচাং ফন্না থম্নবা হোৎনবগা লোয়নন্না ঈ কৎপগী হৈনবীসু লৈবা তাই। ঈগী মথৌ তারকপা মীওই অমদা ব্লদ দোনরনা পীখিবা ঈ অদুনা পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মতমগা চুনবা অফবা ব্লদ বেঙ্কশিং লৈহনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট হেল্থ মিসনগী …মখা লামায় ৩ কলম ২

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অমুকোনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি মীয়াম্বু মচেৎ তানা থুগায়নবা হোৎনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমিৎ ১৬ শুবা প্রোটেষ্ট দেগা মরী লৈননা অমুকোনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

16TH PROTEST DA
14TH JUNE 2017
Protest Against the ... Policy of Govt. of

অমুকোনা প্রোটেষ্ট দেগা মরী লৈননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ১৯৯৩ দগী হৌনা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ঈগী মরি ওইরিবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগা লোয়নন্না মণিপুরগী ঙমখৈবু ঙাকমিন্নদুনা লাকখি। খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ঈগী মরী ওইরিবা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অনীগী মরক্তা কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ১দগী সীজ ফায়র তৌনদুনা পিছ টোক চথরকপা অসিনা মণিপুরগী ঙমখৈদা অকায়বা পীরকপা মরম ওইহল্লকখি। মদুগীদমক কুমজা ১৯৯৭কী ওগষ্ট ৪ দা মীয়ামগা লোয়নন্না মীওই লাখ মঙা হেনবনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না খোল্লাও কয়া লাউদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু নীংশিংদুনা অমুকোনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ৪ বু ইন্টিগ্রিটি দে হায়না নীংশিংদুনা লাকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম পুন্নমক্তা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী মথক্তা দিভাইসিব পোলিসি কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। জুন ১৪, ২০০১ দা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা নাগা লালহৌবা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অনীগী মখা তানা তৌনবা সীজ ফায়র এগ্রিমেন্টবু নাগালেন্দ ষ্টেটকী মনুংখক্তদা চৎনগদবা অদু নাগালেন্দ ষ্টেটকী বাউন্দরি ৱাংমা লান্না ৱিদাউত টেরিটোরিয়েল লিমিটস হায়বা ৱাহৈ য়াওবা এগ্রিমেন্ট অমা লাউথোরকখি। অদুগুম্বা বেঙ্কোক দিক্লারেসন অদুগী পাউ হেক তাবদা অমুকোনা য়ানিংদবগা লোয়নন্না অমদি মণিপুরগী মীয়ামদসু ফাওরিবা য়ানিংদবগী ঈহুলশিং অদু মরম চানা শীজিন্নবা পোরমসু য়াৎথোকখি।

ঙমখৈগী অমদি ইরমদমগী মীয়ামগী মচিন-মনাও ওইবগী ঈগী মরি ওইরিবা অপুনবগী শক্তমদা শীংনরকপা মপানগী ফোর্সশিংবু মীয়ামগী …মখা লামায় ৩ কলম ৪

24 X 7 Emergency services available for Paediatrics and Obstetrics & Gynaecology

- Three full time Gynaecologists.
- Two full time Paediatricians.
- Well equipped ICU & PICU/NICU for newborn.
- NABH pre accredited hospital.
- NABH accredited Blood Bank with NAT facility.
- NABL accredited hospital based Laboratory.
- State of the art Radiology & Imaging Unit.
- Regular clinics for menopause, infertility, high risk pregnancy, ante-natal, cancer & adolescence.
- Supported by 23 specialties and 50 specialists including super specialists.

OPD Timing 8:00 AM to 3:00 PM (Mon to Sat) 8:00 AM to 12:00 Noon (Sunday)

Humane Technology

Shija Women & Children Centre
HealthCity, Langol, Imphal West - 04, www.shijahospitals.com, 9436807346

HL-B/3943/15

LOAN AVAILABLE

- মখল খুদিংগী অপাম্বা 2, 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokieobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1820/15-16